# ইবোবী সরকার মিনিষ্টর ৮ হাপচিন্দুনা চাওথোকখ্রে

# মিনিষ্টর ১না চহি ৫পুগনি লৈতে, মরক্তা রিভিউ তৌগনি -সিএম

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ঃ* ইবোবীনা লুচিংবা কংগ্রেস সরকারদা অহাংপা মিনিষ্টর ৮ নহানমখৈ মতম শাংনা হাপচিনবা ঙমদনা লাকপা অদু ঙসি হাপচিন্দুনা সরকার চাওথোকখ্রে। মখোয়না পায়গদবা পোর্টফোলিওসু য়েংহোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদা রাজ্য ভবন্দা গভর্নর গুরবচন জগৎনা হ্রাশক লৌখ্রবা মিনিষ্টরশিং অদুদি শিংজমৈ কেন্দ্রদগী আই হেমোচন্দ্র, বিষ্ণুপুর কেন্দ্রদগী গোবিন্দাস কোন্থৌজম, হৈরোক কেন্দ্রদগী এম ওকেন্দ্রো, সাইটু কেন্দ্রদগী ঙমথং হাওকিপ, তদুবী কেন্দ্রদগী অনিরক হন্না মায় পাক্লকখ্রবা ফ্রান্সিস ঙাজোকপা, ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রদগী অনিরক হন্না মায় পাক্লকখ্রবা ডা: কেঐচ রতনকুমার, পাৎশোই কেন্দ্রদগী অহানবা ওইনা মায় পাক্লকখিবা কুমারী একে মীরাবাই অমসুং লিলোং কেন্দ্রদগী অহানবা ওইনা মায় পাক্লকখিবা এমদি অব্দুল নাসিরনি।

নৌনা হাপচিল্লকপা মিনিষ্টর ৮ গী মনুংদা হেমোচন্দ্র, গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম ওকেন্দ্রো, ঙমথং হাওকিপ অমদি ফ্রান্সিস ঙাজোকপদদি মমাংদা মিনিষ্টর ওইখ্রবা ঙাক্তনি।

অদুগা ডা: রতনকুমার, একে মীরাবাই অমসুং অব্দুল নাসিরদি হন্দক্লা অহানবা ওইনা মিনিষ্টর ওইবনি।

ইবোবীনা লুচিংবা সরকার অসিদা হৌজিক মিনিষ্টর ১২ হাপ্পা লোয়খিবগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী মিনিষ্টর মশিং অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী থারগা মিনিষ্টর ৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মিনিষ্টর ৩, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মিনিষ্টর অমা, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী অনি, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী অমা, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী অমা অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অমনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি স্পিকর খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী টিঐচ লোকেশ্বরনা ওইরি।

অপুনবা কেন্দ্র অনি লৈবদা কংগ্রেস এমএলএ অমখক মায় পাকপা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট অমদি অপুনবা কেন্দ্র ৩ লৈবদা কেন্দ্র অনিদা মায় পাকপা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মিনিষ্টর অমত্তা য়াওদ্রে।

জিরিবাম য়াওনা অপুনবা কেন্দ্র ১১ লৈবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা কংগ্রেস এমএলএ নিপান খুন্দ্রাকপম, হৈঙাং, খুরাই, ক্ষেত্রিগাও, লম্লাই, জিরিবাম, ৱাঙ্খৈ, য়াইস্কুল মায় পাকপদা জিরিবাম কেন্দ্রগী থৌদাম দেবেন্দ্র খক্তমক মিনিষ্টর ওইরে।

অপুনবা কেন্দ্র ১৩ লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কেন্দ্র ৭ ময়াং ইম্ফাল, নাওরিয়া পাখংলাকপা, উরিপোক, শিংজমৈ, পাৎশোই, সেকমাই অমদি লমশাংদা কংগ্রেস এমএলএ মায় পাকখি। মদুগী মনুংদা শিংজমৈ কেন্দ্রগী আই হেমোচন্দ্র, ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী রতনকুমার অমসুং পাৎশোই কেন্দ্রগী মীরাবাইনা মিনিষ্টর ওইরে।

কেন্দ্র ১০ লৈবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা হিয়াংলম অমদি ৱাংজিং তেন্থা নত্তবিদা কেন্দ্র ৮ মক্তা কংগ্রেস এমএলএ মায় পাকখি। মদুগী মনুংদা ইবোবী য়াওনা ওকেন অমদি নাসিরনা মিনিষ্টর ওইরে।

কেন্দ্র অনি লৈবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা তেংনৌপল কেন্দ্র, কংগ্রেস এমএলএ দি কে কোরুংথাং মথন্দমক মায় পাক্লবসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা মিনিষ্টর ফংদ্রে।

কেন্দ্র ৩ লৈবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চিংঙাই অমদি ফুংয়ার কেন্দ্রদা কংগ্রেস এমএলএ ২ মথংশিংনা প্রেশো সিমরে অমদি ভিক্টর কৈশিং মায় পাক্লগসু মিনিষ্টর অমত্ত পীদ্রে।

কেন্দ্র ৩ লৈবা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কেন্দ্র ২ নুংবা অমদি তামৈদা কংগ্রেস এমএলএ মায় পাকপদা গাইখাঙমনা মিনিষ্টর ওইরে।

কেন্দ্র ৬ লৈবা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কেন্দ্র ৬ মক্তা কংগ্রেস এমএলএ মায় পাকপদা চুরাচান্দপুর কেন্দ্রগী ফুংজাথাং মথন্তমক মিনিষ্টর ওইরে।

কেন্দ্র ৬ লৈবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা কংগ্রেস এমএলএ ৩ সাইকুল, তদুবী অমদি সাইটুদা কংগ্রেস এমএলএ মা পাকপদা ঙমথং হাওকিপ অমদি ফ্রান্সিস ঙাজোকপা মিনিষ্টর ওইরে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কেন্দ্র ৬ লৈবদা ওইনাম কেন্দ্র নত্তবীদা কেন্দ্র ৫ দা কংগ্রেস এমএলএ মায় পাকপদা গোবিন্দাস কোন্থৌজম মথন্তমক মিনিষ্টর ওইরে।

ঙসি ৱাশক লৌখিবা কেবিনেট মিনিষ্টর ৮ গী মনুংদা ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী এমএলএ ডা: কেঐচ রতনকুমার অমদি পাৎশোই কেন্দ্রগী একে মিরবাইদি মণিপুরী লোলদা ৱাশক লৌখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অসিদা ত্রিনামুল কংগ্রেস, নাগা পিপলস ফ্রন্ট, এমএসসিপিগী এমএলএ খরা লাক্তুনা শরুক য়াখি। চিফ সেক্রেটরি দিএস পুনিয়া, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসার কয়াসু লাক্তুনা শরুক য়াখি।

ৱাশকপা লোয়রবা তুংদা পাউমীশিংনা চিফ মিনিষ্টর ইবোবীগা উন্নবদা মহাক্না ফোঙদোরকখিবদা মণিপুর প্রজা মীয়াম্না কংগ্রেস পার্টিদা থাজবা থমদুনা অপুনবা এমএলএ ৬০ লৈবা এসেমব্লিদা কেন্দ্র ৪২ দা য়াম্না চাওনা কংগ্রেস এমএলএ মায় পাকহনবীরকপদগী মিনিষ্টর মশিংদি ১২ খক লিমিটেদ ওইনা লৈবদগী মিনিষ্টর এক্সপান্সন মতম চানা তৌবা ঙমখিদবনি।

কম্যুনিটি অমদি জিওগ্রাফিকেল ওইবা ফিভম য়েংলগা মিনিষ্টর পীদবা য়াদবা অমসুং নুপী কাংলুপকী থমদবা য়াদবা কয়া সরকারনা কুপ্পা খন্নখি।

মমাংগী ৯ শুবা এসেমব্লিগী টার্মদা পার্ফোমেন্স ফজখিবা মিনিষ্টর কয়া করি মরমগীদমক মিনিষ্টর পিদ্রিবনো হায়না পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা ফোঙদোকখিবদা মমাংদা মিনিষ্টর ওইখিবা ইরাবত, বিরেন, রঞ্জিৎ অমদি লোকেন্দ্রচিংবা কয়াগী পার্ফোমেন্স ফজদবগী মিনিষ্টর পীদবা নত্তে। মখোয়না লৌখিবা পার্ফোমেন্স থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু হঞ্জিন-হঞ্জিন টার্ম ৪ /৫ রক মীখলদা মায়পাক্লবা মিনিষ্টর ওইদনা লাক্লবা কয়াবু অমুক মিনিষ্টর পীবনি।

মখোয়গী পার্ফোমেন্স য়েংলগা রোটেসন ওইনা মিনিষ্টর পীগনি। মমাংদা তৌখিবগুম মিনিষ্টর অমনা চহি ৫ অদুম্মক মিনিষ্টর ওইগনি হায়বা লৈতে।

চান্দেল, উখ্রুল অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা ঙসি মিনিষ্টর অমফাওবা পিদ্রিবসি করিগীনো হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ইবোবীনা হায়খিবদা মণিপুরদা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ইনকনভিনেন্সকী ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমদি থৌবাল হায়না খায়দোকপগী ৱানি। য়াম্না পীকখ্রবা ষ্টেটনি। অতে ষ্টেটকী দিষ্ট্রিক্টকা য়েংনরুরগদি ৱাব্কি দিষ্টেন্সনি। হৌখিবদা ইম্ফাল ইষ্টতা মিনিষ্টর ৫ লৈখি। অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টতা মিনিষ্টর ইম্ফাল ইষ্টকী য়ামনখ্রে। ঐখোয়দা অমা হাপ্পু হায়খিদে। চখোক-চৎশিন য়াবা মফমনি।

চান্দেল অমদি উখ্রুলবু মিনিষ্টর পীদে হায়দুনা মীরায়বা লৈতে। মিনিষ্টর দাউন সাইজিং তৌবগী তৌবনি। মথংদা অমুক হোংদোক-হোংজি তৌবদা ওইরকখিগনি হায়না ইবোবীনা ফোঙদোকখি।